শান্নবা পামজবনা মরম ওইরগা ইচেগী মতুং ইন্দুনা কুমজা ২০০5 দগী রোয়িং শান্নবা হৌজরকখি : খুমন্থেম মোনালিশা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

রোয়িংদা মিৎয়েং অমা

মণিপুরী মচানা শান্নদবা গেম লৈতে হায়বা য়াই। হোকি, ফুটবোল, বোক্সিং, ৱেথলিফটিং, জুদো, আর্চরি, ৰুশু, রেসলিং, স্বিম্মিং, সাইক্লিং, জিম্নাষ্টিক্স লোয়ননা ঈশিংগী মশান্না অমা ওইরিবা রোয়িংদসু এসিয়ন গেমসকী থাক য়ৌনা শান্নবা ঙম্বা প্লেয়র কয়ামরুম লৈরি। মণিপুরনা যূম্ব ওইদুনা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা নেসনল গেমস (১৯৯৯) কী মাঙওইননা ষ্টেটসিদা শান্ন-খোৎনবগী অচৌবা ঈহৌ অমা লাকখি। মতমদুদা অনৌবা গেম মখল অমা ওইনা রোয়িং মশান্না অসিবু পামজবা শান্নরোয় খরসু থোরকখি। মরুওইনা হি থৌবদা খূৎলোইবশিংনা মশান্না অসিদা চঙলক্তুনা শান্নবা উখি। অসুম্না রোয়িং হায়রিবা মশান্না অসিগী প্লেয়র খরসু মথং মথং থোরকখি।

মণিপুরগী রোং শান্নরোয়শিংগী মরক্তা খুমন্থেম মোনালিশা চনুসু ইন্টরনেসনল থাক য়ৌনা শান্নরম্বী প্লেয়রনি। হায়রিবা শান্নরোয় অসিনা রোয়িং করম্না শান্নরকখিবগে, করম্বা ষ্টেজ ফাওবা শান্নরম্বগে হায়বদু ঐখোয় খঙমীন্নসি।

কুমজা ১৯৯২ গী নবেম্বর ৫ দা শওম্বুং থোঙখোংদা লৈবা খুমন্থেম রামেশ্বর অমদি খুমন্থেম ওংবী সনামচাগী মচা তরেৎকী মনুংদা মরিশুবা মচা ওইনা মোনালিশা চনু তাইবঙদা খোঙদারকখি। শান্ন-খোৎনবা পামজবা অঙাং অমা ওইনা হৌরকখিবনা মশাগী চহী ১২ শুরকপা মতম অদুৱাইদগী গেম অমদি শান্নগে হায়না মোনালিশানা খল্লকখি। হান্না রোয়িং শান্নরকখিবী মচে দেবলা (মপাগী ময়াম্বগী মচানুপী) গী মতুং ইন্দুনা কুমজা ২০০৫ দগী মহাকসু শান্নবা হৌরকখি। ইহান হান্না খুমন লম্পাক্কী রোয়িং কেনেলদা লাক্তুনা শান্নবা হৌরকখিবগী মতাংদা শান্নরোয় অসিনা অসুম্না পাউদল্লকখি।

ঐদি শান্নবা পামজরকপগী ৱানি, করি শান্নরগা চান্নগনি হায়বা শুকখঙ খঙলক্তে। অদুনা ইচে দেবলানা শান্নবা গেমসিদা মতুং ইন্দুনা অদুম শান্নজরকখিবনি। চান্নগনি চান্নরোই অদুগুম্বগা করিমত্তা খঙবা মতম নৎত্রি। ঐবু ইহান হান্না রোয়িং তন্বীরকখিবা ওজাদি ক্বাকৈথেলগী ওজা শন্তোসনি। ঐনা খুমন লম্পাক্তা শান্নবা লাকপা মতমদুদা শান্নরোয়দি পংয়াম য়াম্না লৈরমদে। চাওরাক্লা ২০ মুক্তনি। নুপীগী প্লেয়রগসিদি ইরৈ লৈরমদে। সব জুনিয়রগী, জুনিয়রগী, সেনিয়রগী লোয়না পূনশিল্লগা কুনমুক্তি ওইগদ্রা খল্লি। মমাঙদা শান্নরম্বা খরসু সী আর পি এফতা থবক তৌনখিবদগী প্লেয়রসি য়ামদে। অদুগা ঐনা শান্নরকপসিনা কুমজা ২০০৫ গী মার্চ থাদগীনি। ইচে দেবলাগী মতুং ইন্দুনা খুমন লম্পাক্কী রোয়িং কেনেলদা প্রেক্টিশ তৌবদু খূৎশু-খূৎলায়দি কয়া লৈরমদে। ঐখোয় রোয়িংগী আইটেম মরিগী কোক্সলেস ফোর, সিঙ্গল স্কলস, দবলস স্কলস, ক্বদ্রুপল ক্লসগী ইক্বিপমেন্টশিংসু অমমমদগী হেন্না লৈতবদা নত্তনা রোয়িং কেনেলসু পীশক পীকপনিনা প্রেক্টিশ তৌবদা ফ্রি কয়া ওইদে। অদুবু থৱায় য়াওনা শান্নরিবা ঐখোয় খরবুদি ওজা শন্তোসনা ফজনা অদুম কোচিং পীবি। ঐনা রোয়িং শান্নজখিবদুসু শান্নবা পামজবগী গেম অমা হেক্তা শান্নগে খল্লগা শান্নরকপা মওংদুনি।

থৱায় য়াওনা শান্নরকপনিনা কুমজা ২০০৫ গী মার্চ থাদগী প্রেক্টিশ তৌজরকপদু থা অহুম শুবা জুন থাদা বেঙ্গলোরদা তৌখিবা নেসনল সব জুনিয়র রোয়িং চেম্পিয়নশিপ্তুদা শরুক য়ানবগী সেলেক্সন ফংজখি। মদুদা ঐহাক কোক্সলেস ফোরদা ইচে দেবলানে, ঐনে, সেকমাইদগী ইমান্নবী সোনিয়াগা, জিবনলাতাগা ঐখোয় মরি থৌমিন্নদুনা শরুক য়াবদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। সুমাইনা রোয়িংসি শান্নবা হৌজরকখি। মদুদগী হল্লক্লগা মতম খরা প্রেক্টিশ তৌরগা নবেম্বর থাদা জুনিয়র চেম্পিয়নশিপকী সেলেক্সন অমুক ফংদুনা ঐগা প্রিয়া কৌবী ইমান্নবী অমগা দবলস স্কলসতা থৌজখি। মদুদা করিমত্তা তাবা ঙমদনা হল্লকখি। সব জুনিয়রদা লৌরক্লবসু জুনিয়র থাক্তদি মেদল লৌবা ঙল্লকখিদে। কুমজা ২০০৭ তা হায়দ্রবাদতা তৌখিবা সব জুনিয়র নেসনলগী কোক্সলেস ফোরদা অমুক শরুক য়াখি। মদুদসু ঐখোয় ব্রোঞ্জ লৌরকখি। কুমজা ২০০৭ কী সব জুনিয়র নেসনল শান্নরুরগা হল্লকপা মতমদুদা মধ্য প্রদেশকী ভোপাল একাদেমিদা লৈননবা ওজাশিং মণিপুরদা প্লেয়র হন্ট তৌবা লাকখি। -মথং-মথং

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৩

১. কুমজা ২০০২ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ফুটবোল কপ্তা ফ্রান্স অমসুং চাইনানা মায়োক্লবা টিমদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। টিম অনী অসি নত্তবা অতোপ্পা টিম অমসু মায়োক্লবা টিমদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২. করম্বা মশান্নদা মণিপুরনা অসামগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট (চেম্পিয়নশিপ) টুর্নামেন্টতা মাপল্লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবগে?

৩. মণিপুর টিম্না অহানবা ওইনা বাইটন কপ্তা শরুক য়াখিবদা টিম মেনেজর ওইখিবা মীওইদুগী মমিং করি কৌবগে?

৪. মহাক্না অহানবা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। চহী ১৬ কী মতুংদসু ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্বী নুপীগী অহানবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫. পীরিবা লাই অসিগী মমিং হায়য়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ইন্দিয়াগীদমক ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়ানবা মিৎয়েং থল্লি : শ্রীসান্থ

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ :

কুমজা ২০১৩ দা ইন্দিয়ন প্রিমিয়র লীগ (আই পি এল) কী মেচ ফিক্সিং তৌখি হায়বগী মরালদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না এস শ্রীসান্থকী মথক্তা থমখিবা পুন্সি চুপ্পগী অথিংবা অদু কেরলা হায় কোর্টনা লৌথোকখ্রবা মতুংদা শ্রীসান্থনা ইন্দিয়াগীদমক কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়ানবা মিৎয়েং থল্লি।

বি সী সী আইনা থল্লম্বা অথিংবা অদু কোর্টনা লৌথোকখ্রবা মতুং অসিদা শ্রীসান্থনা হায়খি, ইন্দিয়ন টিমদা অমুক হন্না হল্লক্তুনা লৈবাক অসিগী ওইনা শান্নবা ঙম্বগী থৌনা অদু ঐঙোন্দা লৈরি। লাক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনরকপা অসিদা বি সী সী আই অমসুং কে সী এনা ঐহাকপু শৌগৎপীবা য়াম্না মরুওই।

ইন্দিয়ন টিমদা অমুক হন্না শরুক য়ানবগীদমক খুদোংচাবা অদু অমুক হন্না ফংলে। মসিনা ঐহাক্কী খ্বাইদগী চাউবা চেলেঞ্জ অমা ওইরগনি। ইন্দিয়ন টিমদা অমুক হন্না শান্নবা য়াওবা ঙম্নবগীদমক ঐহাক্না হোৎনরকপা অসিদা বি সী সী আই অমদি কে সী এনা পীরকপা গ্রীন সিগনেল ঐহাক্না ঙাইগনি। ঐহাক্না পোলিটিক্স অমদি সিনেমাশিংদা মতম খরা কন্সেন্ট্রেদ তৌরুরে। মরমদি ঐহাকপু ক্রিকেটতগী মতম খরা লাপথোকহল্লুবননি। অদুমকপু মালেমদা লৈরিবা মীয়াম্নদি শ্রীসান্থ অসি ক্রিকেটর অমা ওইনা অদুমক শকখঙলি। মরম অসিনা ঐহাক্না ঙসিদগী ক্রিকেটতা অমুক হন্না মিৎয়েং থম্বা হৌরে।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা ফাষ্ট বোল্লর শ্রীসান্থনা মখা তানা হায়খি, ঐহাক হৌজিক চহী ৩৪ শুরে। মশান্না অসিদা অমুক হন্না চঙনবগীদমক ঐহাকমখোংদগী হৌবা মথৌ তারি। মালেমগী ক্রিকেট মশান্নদা মিসবা উলহক, যুনিস খান, সচিন্নচিংবা শক্লইরবা প্লেয়র কয়ানা মশাগী চহী ৪০ য়ৌরমদাই ফাওবা শান্নখি। মখোয়না ঙসিদি ঐঙোন্দা অনৌবা থৌনা অমসু পীরে খল্লি। মরম অসিনা ঐহাক্কী হকচাং ফিট ওইনা থম্বদা নত্তনা মমাঙদা উৎখিবা পার্ফোমেন্সশিং অদুমকউৎপা ঙম্লবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ত্রোফি টুর দেল্লিদা ওগষ্ট ১৭ তগী হৌরগনি

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ০৯ : ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকীদমক সিটি তরুক্কী ওইবা ত্রোফি টুর লৈবাক অসিগী কেপিটেল ওইরিবা দেল্লিদা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৭ তগী হৌরগনি হায়না লোকল ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা লাউথোকখ্রে।

লোকল ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা চেয়রমেন প্রফুল পটেলনা হয়খি, ত্রোফি টুর অদু ওগষ্ট ১৭ তগী সেপ্টেম্বর ২৬ ফাওবা নুমিৎ ৪০ নি চঙনা চথগনি। অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী যুম্ব ওইগদৌরিবা ইন্দিয়ানা গ্রুপ মেচশিং শান্নগদৌরিবা ন্যু দেল্লিদগী হৌরগা সিটি তরুক্কী মীৎয়েংলোইশিংনা ত্রোফি অদু উবা ফংলগনি। ন্যু দেল্লিদা ওগষ্ট ১৭ তগী ২২ ফাওবা ৱর্ল্ড কপকী ত্রোফি অদু মীয়ামদা উৎকনি। ন্যু দেল্লিগী মথংদা টুর অসি গুৱাহাটিদা চৎকনি। মফম অদুদা ওগষ্ট ২৪ দগী ২৯ ফাওবা লৈরম্লবা মতুং কোলকটাদা অমুক চৎকনি।

ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল মেচতী যুম্ব ওইগদৌরিবা কোলকটাদা ওগষ্ট ৩১ দগী সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবা লৈগনি। অদুগা সেপ্টেম্বর ৬ তগী ১০ ফাওবা টুর অদু মখা চথগনি। সেপ্টেম্বর ১৪ দগী ১৯ ফাওবনা গোৱাদা ত্রোফি অদু মীয়ামদা উৎকনি। টুর অসিগী অরোইবা লমথুংফম্না কোচি ওইগনি। মফম অদুদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২১ দগী ২৬ ফাওবা ত্রোফি অদু মীয়ামদা উৎতুনা টুর অসি লোইশিনগনি।

লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ওক্টোবর ৬ তগী ২৮ ফাওবা যূম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, টুর্নামেন্ট অসিগী ইভেন্ট প্রমোসন অসি ত্রোফি টুর অসিনা অরোইবা তাঙ্কক ওইগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী হোষ্ট ওইগদৌরিবা মফম কয়াদা ত্রোফি অসি উৎকদবনা ফুটবোলবু নুংশিবা মীওই কয়ানসু ত্রোফি অসি শোয়দনা য়েংলগনি হায়না থাজবা লৈ। লাক্কদবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৈবাক অসিগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী ত্রোফি অসি হকথেংননা উবসু ফংলগনি। মসিদসু নত্তনা ৱর্ল্ড কপ ত্রোফিগী এক্সপরিএন্স অসি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না হেন্না নকশিন্নহনবগী খুদোংচাবা অমসু ফংহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

আই এ এ এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ : ওমর মেকলিওদনা মিটর ১১০গী হর্দলসতা ৱর্ল্ড টাইটল লৌখ্রে, এরিস মেরিদকী মঙলান কায়খ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ০৯ : লন্দন্দা থা অসিগী ৪ দগী চথরকখিবা ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা জমাইকাগী ওমর মেকলিওদনা মিটর ১১০ গী হর্দলসতা ৱর্ল্ড টাইটল ঙসি লৌখ্রে।

মহাক্না লন্দন্দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্তা লৌখিবা ক্রাউন অমসুং ঙসি লৌখিবা মিটর ১০০ গী হর্দলস ৱর্ল্ড টাইটল অসি মহাক্কী অপোকপী মমা অমসুং সুপর ষ্টার য়ুসেন ভোল্টতা দেদিকেদ তৌখ্রে।

অমরোমদা, অমেরিকান ২০১২ ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখিবা এরিস মেরিদনা কিডনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌরুরবা মতুংদা হৌখিবা চহী অনী অসিদা মেদল অমা লৌনবগীদমক মঙলকখিবা মঙলান অদু ঙসিগী মিটর ১১০ গী হর্দলসতা ৫ শুবা পোজিসন তাহৌব-দগী মহাক্কী মঙলান অদু কায়খ্রে। মশাগী চহী ২৩ খক্তমক ঙাইরিবা জমাইকাগী ওমার মেকলিওদনা হর্দলসকী লমজেল অদু হেক লমথাবা হৌবদগী লোইবা ফাওবা মাঙজিল থারগা চৎখি। মহাক্না টাইটল অদু লৌনবগীদমক হর্দলসকী মিটর ১১০ গী লমজেল অদু ১৩.০৪ সেকেন্দদা মপুং ফানা চেন্দুনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সর্গে সুভেনকোবপু মনিংদা থল্লমখি। অদুগা য়াম্না অঙকপা অমা ওইনা হঙ্গেরিগী বলাসবাজিনা মিটর ১১০ গী হর্দলসতা ব্রোঞ্জ লৌখি।

হর্দলসকী ৱর্ল্ড টাইটল লৌখ্রবা ওমর মেকলিওদনা হায়খি, ঙসিগী টুর্নামেন্ট অসিদা ঐহাক মায় পাক্তবা য়াদে হায়না খনখি। মরমদি ঐহাক্কী ইমা অর্নেলা নাইক মোরিসনা ঐহাক্না চেনগদৌরিবা লমজেল অসি ষ্টেন্দদা ফমদুনা য়েংখিবননি। ঙসি ঐহাক্না মায় পাকপা অসি ঐহাক্কী অপোকপীদা দেদিকেদ তৌই। মফম অসিদগী মায় পাকপা পুরক্তুনা জমাইকানগী ফিৱালবু ৱাংনা পাইহন্নীংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

উসেন ভোল্টসু লেজেন্দরি অমনি। ঙসি লৌরিবা টাইটল অসিসু নহাক্কীনি। মহাক্কী জমাইকান এথলেটশিংদা ভোল্টনা উৎলিবা লিগেসি অসিগীদমক মঙোন্দা ত্রিবুট পীবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মায় পাক্ননবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা প্রেসর কয়া অমা লাকখি। অদুবু হায়রিবা প্রেসরশিং অদু ঐহাক্না পোজিটিভ ওইবা লম্বীদা পুখি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সুসমা বর্ম্মনা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী ফম এক্সেপ্ট তৌখ্রে, ওলেম্পিয়ন মেদলিষ্ট বিজয় কুমারদি পেনদ্রি

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ০৯ : হিমাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৱিমেন’স ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ কী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন ক্রিকেট টিমদা য়াওবা সুসমা বর্ম্মদা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (দি এস পি) গী ফম অদু ঙরাং সুসমা মশামক্না এক্সেপ্ট তৌখ্রে। অদুমকপু ওলেম্পিয়ন মেদলিষ্ট বিজয় কুমারনদি হিমাচল গভর্ণমেন্টতা পেনফাৎত্রি।

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট এরেনাদা মার্ক থম্বা ঙমখ্রবা সুসমা বর্ম্মনা দি এস পিগী ফম অদু এক্সেপ্ট তৌখ্রবা মতুংদা লুপা লাক্ষ ৫ গী চ্যেক অমসু এৱার্দ ওইনা খূৎশিন্নখিবনি। ইন্দিয়ন ৱিমেন’স টিম অদু ফাইনেলদা রন ৯ দা মায়থীহৌরবসু টিম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থাগৎনখিবনি।

ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিংগী মেদল ৫০ রোম য়াওনা পূন্না মেদল ১৫০ রোম লৌবা ঙমখ্রবা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদলিষ্ট কেপ্তেন বিজয় কুমারনদি মহাকপু মীরাইবিরে হায়দুনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি। চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা আর্মিদগী রিটয়ার্দমেন্ট তৌখ্রবা বিজয় কুমারনদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থবক অমা পীরকপা ঙাইরি।

মহাক্না হায়খি, ঐহাক্না মেদল কয়া লৌরকখ্রবসু ষ্টেট অসিদদি ৱাহন্থোক লৈতবগুম তৌরি। মসিগীদমক নুংঙাইতে। ঐহাকপু দিসক্রিমিনেট তৌবিরব্রা হায়না খল্লি হায়না হমিরপুর দিষ্ট্রিক্টতগী কেপ্তেন বিজয় কুমারনা ফোঙদোরক্লি। হিমাচল প্রদেশকী ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতগী মহাকপু থবক পীবগী মতাংদা পীরক্কদবা পাউখুমশিং ঙাইদুনা লৈরি।

দি এস পিগী ফম লৌখ্রবা সুসমা বর্ম্মানা হায়খি, ইন্টরনেসনল রেঙ্কিংগী ৱিমেন ক্রিকেটর অমা ওইনবা ঐহাক্না মঙজরকখিবা মঙলান অদু মঙফাওনখ্রে। মসিগী মতুংদা ঐগী অনীশুবা মঙলান ওইনা পুলিসতা জোইন তৌদুনা থবক তৌবা হায়বদুসু ঙসিদি মপুং ফারে খল্লি। হিমাচল প্রদেশকী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঐঙোন্দা উৎপীরিবা ইকায়খুম্নবা অমদি পুলিস ওইননবা পীরক্লিবা ওফর অসিগীদমক থাগৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। সুসমা গদেরি ভিলেজদগীনি। অদুগা হায়রিবা ভিলেজ অসি সিমলা কন্ষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবনি।

ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা মেদল কয়া লৌবা ঙমগনি থাজে : কোচ

চেন্নাই, ওগষ্ট ০৯ : গ্লাসগোদা থা অসিগী থা অসিগী ২১ দগী ২৭ ফাওবা চথগদৌরিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা হান্নদগী হেন্না মেদল কয়া লৌবা ঙমগনি থাজে হায়না ইন্দিয়ন টিমগী চীফ কোচ পি গোপিচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

চেন্নাইদা লৈবা ফায়র বোন একাদেমিদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা পি গোপিচান্দনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিদা বেদমিন্টন মশান্না অসি হৌজিক্তি হেন্না পাকথোক চাওথোরক্লে অমদি তোঙান তোঙানবা এজ গ্রুপশিংগী ওইনা থোরক্লে। মশান্না অসিগীদমক তুংদা অফবা রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙম্নবগীদমক লমদমসিগী শান্নরোয়শিংদা অফবা মখলগী ক্বালিটি লৈবা ত্রেনিংশিং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফংহনবা মথৌ তারি। ঐহাক্না কোচ ওইনা থবক পুবা হৌরকপা মতমদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি ওইরমদ্রি। অদুমকপু হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী শান্নরোয় কয়া থোরক্লে। মসিদসু নত্তনা য়াম্না মপাঙ্গল কনবা ইন্দিয়াগী টিম হায়বদুসু ওইরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বেঙ্গালুরু এফ সীনা স্পেনিস ষ্ট্রাইক্কর ব্রাওলিও নোব্রেগাগা সাইন তৌনখ্রে

বেঙ্গালুরু, ওগষ্ট ০৯ : বেঙ্গালুরু এফ সীগা স্পেনিস ফোরৱার্দ প্লেয়র ব্রাওলিও নোব্রেগা রোদ্রিগুয়েজগা চহী অমগী দিল সাইন তৌনখ্রে হায়না ক্লব অসিনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা স্পেনগী ফোরৱার্দ ব্রাওলিও নোব্রেগানা হন্দক্তা সাইন তৌনখিবা অসিগা থারগা বেঙ্গলুরু এফ সীদা য়াওবা স্পেনিস শান্নরোয় ৪ শুখ্রে। ব্রাওলিও নোব্রেগানা ক্লব অসিদা হান্নদগী য়াওদুনা লৈরবা স্পেনিস ফুটবোল্লর জুআনান গোঞ্জালেজ, দিমাস, দেলটাদো অমসুং এন্টোনিও দোবেলগা হৌজিক্তি পূন্না শান্নরগনি।

স্পেনগী অন্দর-২০ ইন্টরনেসনল স্কাদতা হান্না য়াওরম্বা শান্নরোয় অসিনা হন্দক্তা বেঙ্গালুরু এফ সীদা য়াওরকখিবা অসি মহাক্না হৌখিবা লীগ মেচ ১৫ দা ফজরবা গোল ১০ চনখিবা অমদি তোঙান তোঙানবা কপশিংদা উৎখিবা ফজরবা পার্ফোমেন্সশিং অদুদা যূম্ফম ওইরগনি। ব্রাওলিও প্রোফেসনেল ফুটবোল্লর ওইনা কুমজা ২০০৪ দগী শান্নবা হৌরকখিবনি। কুমজা ২০০৫-০৬ কী লোইরমদাইদা শান্নখিবা সিগুন্দা দিভিজন্দা গোল ১৪ স্কোর তৌবা ঙমখি। কুমজা ২০০৭-০৮ দা ব্রাওলিওনা লা-লীগা সাইদ গিতাফে সী এফতা জোইন তৌখি। লা-লীগাগী মেন টিমদা শান্নখিবা বি সাইদকী মেচ ২৬ তা মহাক্না গোল ১৭ অমসু স্কোর তৌখিবনি। মহাক্কী পার্ফোমেন্সশিং অসিদা যূম্ফম ওইরগা বেঙ্গালুরু এফ সীনা মহাক্কা সাইন তৌনখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি, বেঙ্গালুরু এফ সীদা মণিপুরদগীসু শান্নরোয় কয়া য়াওরিবনি।

ꯌꯨꯝꯅꯥꯝ ꯑꯥꯏ ꯀꯦꯌꯔ
See better through us...
Yumnam Eye Care
RIMS Road, Imphal West Manipur
Computerised Eye Testing
&
Contact Lens Clinic
NEW SUMMER COLLECTION
Authorized Dealer
LUXOTTICA
VOGUE
K&L
Fastrack
Ray-Ban
Consultant Timing :
Morning- 8:00 am - 12.00 noon
Evening- 2:30 pm - 5.00 pm
Sunday - 8:00 am - 12.00 noon
HL-B/4069/15/7-8/08